ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯀꯇꯣꯕꯔ ꯰꯵, ꯲꯰꯱꯶, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯰ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯸꯵ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ুমশকৈশা, ওক্টোবর ০৫, ২০১৬, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ১৮৫ শুবা মশীং

# এম য়ুগী ৱাথোক

## ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রিনা য়ুনিভর্সিটি কাং-খোং চাইহল্লে

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওনখ্রবা তুংদা য়ুনিভর্সিটি অসি হান্নগা য়েংনবদা খরমখৈ চাউখৎলে হায়বসি মীয়াম্না য়ানিংগনি। ইনফ্রাষ্ট্রকচর নীংথিনা শেমগৎপতা নত্তনা ওজাগী অৱাৎপা খরমখৈ মেনখৎপা ঙল্লে। অদুম্মকপু য়ুনিভর্সিটি অসিদা ঙাইহাক লৈতনা থৌদোক ৱাথোক কয়ামরুম থোকপা থেংনরি। থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোক খুদিংমক য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফননবগীদমক্তনি হায়বা ঙমদে। মখোয়-মখোয়গী ওইবা ৱাখল্লোন পুশিন্ননবা অমসুং কাঙলুপ খরগী খুদোংচাবা ফংনবা মায়কৈরোমদা ৱাথোকশিং অসি লাকপগুম্না তৌই। হৌজিক হৌজিক ফোং-ফোংনা শানা থোক্লিবা ৱাথোক অমা হায়বা তারবদি য়ুনিভর্সিটি অসিগী থবক লৌবা, মিং চনবনচিংবগী রিজার্ভেসন পোলিসীগী মতাংদনি। মহৈরোয়শিংগী মনুংদা নাকপাক তান্নরগা কাঙবু অমনা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইরবসু মমাঙঙৈদগী চৎনরকপা ষ্টেটকী রিজার্ভেসন পোলিসী অদু অদুম্মক কায়দনা হৌজিকসু চৎনহনগদবনি হায়বা অমা অদুগা অতোপ্পা কাঙবু অমনা হায়রিবনা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইরবনিনা ইন্দিয়াগী অতৈ ষ্টেটশিংদা লৈরিবা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিশিংদা চপ মান্নবা রিজার্ভেসন পোলিসী থমগদবনি হায়বসিনি। য়েৎনবা অসিনা মরম ওইরগা য়ুনিভর্সিটি অসিগী থৌ পুবশিংনা অচুম্বা কাঙলোন অমদা পুশিন্দুনা ৱারেপ লৌজবা ঙমদ্রে। প্রেসরনা পিক থল্লে। মসিনা মরম ওইরগা দিপার্টমেন্ট খরগী মহৈরোয় লৌনবা মিং চনবা ঙমদ্রে, চহী মাঙবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। ৱাথোকশিং অসি একাদেমীক কাউন্সীলগী মীফম মথং মথং ফল্লকপদসু ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদবদগী একাদেমীক কাউন্সীল লিংবগী কান্নবা লৈত্রে হায়না ৱাকৎনরকপদগী হন্দক অরোইবা ওইনা চপ চাবা ৱারেপ লৌননবা একাদেমীক কাউন্সীলগী মীফম থা অসিগী ৪ দা ফমখ্রে। মীফম ফম্বা হৌরবা তুংদা মহৈরোয় কাঙবু অমনা ষ্টেটকী রিজার্ভেসন চৎনহনগদবনি হায়দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মনুংদা অচৌবা প্রোটেষ্ট তৌরকখি।

মমাঙদা ফমখিবা একাদেমীক কাউন্সীলগী মীফমশিংদা রিজার্ভেসন পোলিসীগী মতাংদা চপ চাবা ৱারেপ লৌবা ঙমখিদবদগী মরুওইবা মরম য়েৎনবদগীনি হায়বসিমদি য়াম্না নাখৈ শেংই। য়েৎনরিবা ৱাফম অসি মরুওইনা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা মিনিষ্ট্রি ওফ হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টনা থোকহনবনি। হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট (ঐচ আর দি) দগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওথোরিটিদা রিজার্ভেসন পোলিসী অসিগী মতাংদা চয়েৎনবা থোকপা চে-চাং কয়ামরুম থারকপা লৈখি। চে-চাংশিং অদুগী মনুংদা খরনা হান্নগী ষ্টেটকী রিজার্ভেসন পোলিসী অদু মখা চত্থগদবনি হায়বা অমা অদুগা অতোপ্পা খরনা অমুক সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি ওইরবনিনা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অমগী চপ চাবা রিজার্ভেসন পোলিসী অদু ঙাক্লা চৎকদবনি হায়বা ৱাফম অনীসিনি। মণিপুরদা লৈরিবা সিবিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন খরনা ঐচ আর দিগী থৌ পুবশিংদা ৱাচৎ-ৱানোম তৌনবগী মওংদৌনা তৌরকপদগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী থৌ পুবশিংনা চপ চাবা ৱারেপ অমা লৌবা ঙল্লকখিদবনি। তশেংনমকসু ষ্টেটকী রিজার্ভেসন পোলিসী অসি চৎনবা তারবদি সেদ্যুল ট্রাইবশিংনা মিং চনবা অমদি অতৈ থবক চঙবদা চাদা ৩১ ফংই। অদুগা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিগী রিজার্ভেসন পোলিসী অসি চৎপা তারগদি সেদ্যুল ট্রাইবশিংগী কোটা অসি চাউরাক্লা চাদা ৭.৫ রোমতনি। শাংলবা চহী কয়া অমা মণিপুর লৈঙাক্কী রিজার্ভেসন পোলিসীগী কান্নবা ফংদুনা লাক্লবা ট্রাইবেল মহৈরোয়শিংনা হৌজিকসু মখা তানা মসিগী খুদোংচাবা ফংনিংলি। অমরোমদনা কুম খুদিংগী চাকথুং নীংথিনা ফংলক্তবদগী মহৈরোয় কয়া অৱাবা মায়োক্নরিবা ফীভম অসিদা অশেংবা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অমদা লৈফম থোকপা রিজার্ভেসনগী কাঙলোন অদু কাঙবু অমনা কায়দনা চৎহন্নিংই। মসিনা মতম কয়া অৱাবা মায়োক্নদুনা লাক্লবা জেনরেল অমসুং সেদ্যুল কাষ্টশিংদা খরমখৈদি খুদোংচাবা ফংগনি। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৱাফমদি, ৱাথোক অসিগা মরী লৈননা হৌজিক্তি য়ুনিভর্সিটি অসি কাং-খোং চাইরে। মহৈরোয়শিংগী মরক্তা ঈশিংগা থাউগা তীন্নবা য়াদবগুম লৈরে। ৱাথোক অসিনা মরম ওইরগা লিরবা রিক্রেসন হোল ফাওবা মৈ থারে। পুম্নমক অসিদগী য়ুনিভর্সিটি অসিগী ক্লাস পুম্নমক মতম কক্তনা সস্পেন্দ তৌখ্রে। ফীভম অসি অফবা নত্তে। মরম অদুনা ঐচ আর দিনা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা অচুম্বা থৌশিল অমা পুথোক্কদবনি হায়জনিংই।

## ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

### মতাংনা মতমনা লৈরিঙৈদা

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**কাবনা** অমনা কাখ্রগা, কাখ্রিবা মঙোন্দদি ভোট থাদদ্রগা ঐসু মঙোন্দা ভোট থাদরিবনি হায়বা মীওই মশীং থিবা ঙমদনা থোরক্কদৌরিবনি। মসিগী ৱাফমসিমা কাদবদা ইফোং-ফোংনা ভোটকীদমক চেন চোংলিবা মখোয়গীদি ওইররোইদবনি। ইফোং-ফোংনা তূম্বা-চাবা, অৱা-অনা থিদবা মখৈ হোৎনরগা ভোটতি কাদ্রবা লু কোকপদা লেন তাবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। লাইবক লৈদনা কারবা খুদোংচাবা খরদি অদুমক ফংদনিঙাই লৈরোই। মসিগীদমক্তনি অৱা-অনা থিদবা মখৈ চেন্নরিবা, চোঙনরিবসি। ভোটতা লাইচুবগা, ময়ায় কাবা চীঞ্জাক্তা লাইচুবগা খেন্নবা অমনা লাইবক লৈদনা মায় পাক্লবা, মীহুৎ ওইগেরা ওইরোইরা মচু অমা শংবদা থিংবা ঙমদনা লৈদৌরিবনি। মতুং তারকপগী ৱাদি খঙদ্রে। মীহুৎ অদুনবু ওলৈ-পারৈ তৌদুনা লৈরবা মাগী কেন্দ্রদুগী মীওই অয়াম্বা পেঞ্জদবা অদুমক ওইরগদবনি।

কেন্দ্র হুম্ফুসিগী মীহুৎ খুদিংমক ইচং থৌনা, থৌনা লৈনা ঐহাক ইশাগী কেন্দ্রগী ফংফম থোকপা লৌদবা য়াদে, পীদবা য়ারোই হায়বা কনানা হায়দৌরি? লৈদি লৈতনা য়াওদি য়াওদনা য়াওই হায়বা য়াবা নত্তে। শঙ্গোলদা ষণ ময়াম অমা লৈরবসু ময়ামদুগী মনুংদা খরা ৱাইগনবা ষণ অদুমক য়াওদবা নত্তে। ষণ খঙদে, মী খঙদে খেন্নবদি অদুমক মরৈবনি। পোলিটিকেল পার্টি অমত্তনা টার্ম অহুম থংনা থংননা লৈঙাক শেন্বা হায়বসি মতুংদা থোক্কনি হায়বদা থাজবা য়াবা নত্তে। চহী ১৫ থংনা থংননা চীফ মিনিষ্টর ওইবা লমদমসিগী লৈহাওদা চাওরকপা ইকায়খুম্ন জরিবা চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবী নত্তনা থাজবা ৱাৎতুনা লৈরগদবনি। থবক তৌবা তৌদবা নুমিৎ থানা লৈরিবমখৈ চীফ মিনিষ্টর ইবোবীগী মিংচৎ লৈহৌগদৌরিবনি। লমদমসিগী অহানবা চীফ মিনিষ্টর অসি কনানো? মণিপুরগী ইহান হানবা চীফ মিনিষ্টর ওইখিবা মীশক বৃটিশ মচানি। মহাক্কী মমিংনা এফ এফ পিয়রসন কৌই। মসিনা অহানবা চীফ মিনিষ্টর হায়বা মীশক্তুনি। খ্বাইদগী তেননা চীফ মিনিষ্টর ওইবা মীশক অমা হায়বা তারগনা কৈশামথোং কেন্দ্রদগী মায় পাক্লকখিবা লোংজম থম্বৌনি। নুমিৎ ১১ নি হায়বদি (১৩/১০/১৯৬৭ দগী ২৪/১০/১৯৬৭) অসিনি। য়াম্না তেন্না ওইখিবা চীফ মিনিষ্টরদা লোংজম থম্বৌগী মমিং নীংশিংনরিবসিনি।

মহাক্কী মমিংসু মুৎপা নাইদনা লমদমসিদা অদুমক লৈরগদবনি। লৈবাক নীংবা মানবা সোসিয়েল ৱার্কর মশীং য়াল্লকপা ভোট তৌদ্রিবা ফাওবদি চীক্লা চাইনা ঙমদবা মখৈ থোরক্কদৌরি। পৈশা খরা পায়রবা, শঙ্গ খরা লৈরবা শোয়দনা ভোট কারগদবনি খঞ্জবা কেন্দিদেট ময়াম অমা হন্দক্কী ১১ শুবা মণিপুরগী জেনরেল ইলেক্সন্দা ওপার অমা থোরক্কদৌরি। লৈবাক্কী থৌগল তৌগে, মীচম মীয়ামগী পাউখোল্লোয় ওইজগে... মসি ঙাক্তনা ৱাই চাইদৌরবনি। লাউবা মখৈ লাউজসনু তাগদবা মীচম মীয়াম ঐখোয়না তাবিদ্রগা লোইরে। ভোট থাদরমদাইগী মতমদা ঐগী ঐগী অপাম্বদা কোক নল্লগা লোইরে। মসিদগী ফবা অতৈ লাইৱা লৈত্রবনি। চেগপ য়াওদনা খূৎনা অশাবা মৈতাল পায়বদা করি করম তৌরগা পায়সিগে খনবদৌনা, মসিমক ভোট থাদবগী শিদ হীদাক ওইদৌরিবনি। বিড়ি নিরগা থক্লম্বা, মরুপ মপাংদগী লুপা ১০/২০ নিদুনা হিংলম্বা, মসিসু মীচম মীয়ামগী মীহুৎ ওইরোই হায়বদা তম্বা ঙম্বা নত্তে। ইমুংদা ঙাওবা য়াবা মখৈ ঙাওরগা য়ারত্ত্রদনা মপান থোরকপগী থৌওংসিমদি কৈদৌনুংদা তৌগে খন্দবা ফরবনি। চহী খুদিংগী ময়ায় কাবা চীঞ্জাক চাবা মীগী মশীং তাথরক্কদবগী মহুত্তা ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎলকপনা হন্দক্কী ভোটসিদা ময়ায় কাবা চীঞ্জাক চাবা মখোয়গীদি অপাৎপদা হয়িং থাজিনবা মদুমক থোক্কদৌরিবনি। ময়ায় কাবা চীঞ্জাক চাবা মহাক্লা থাদবা ভোটতুগা লাইরিক লাইশু হৈরবা লৈঙাক্কী মফম নাইবা মহাক্কী ভোটতুগা খেন্নবা লৈরোইদৌরিবনি। ভোট! ভোট! লাইরেকপা য়াদনা খোম্ন গদৌরিবনি। নিংথৌ শাবনা কোকয়েৎ য়েৎত্রবদি নিংথৌ মান্দবগুম য়াম্না মানবা কেন্দিদেট ময়ামসিগী মনুংদা ঐগী খ্বাইদগী পামজবা মঙোন্দা ভোট পীবনা ইরমদম লমদম লমনুংশি শোয়দনা ঈংনা তপ্না শান্তি লৈনা চীকখোন-নাখোন্না হিংবগী লম্বী শোয়দনা লাক্কদৌরিবনি। থাজদবা তৌবিনু। মরু ওইরিবসি ভোট পীগদৌরিবা ঐখোয়গী খূৎতা লৈরে।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*

# চৈরাক্কী মহুৎ কৈরাক

### চাইথোরকপা ৱাখল

### নরেন্দ্র নিঙোম্বা

মচানা লাল্লগনা চৈরাক, অচৌবনা লাল্লগনা ভুল (অকাউবা) হায়বা অমা মমাঙঙৈদগী চৎনদুনা লাকই। হৌজিকসু অদুমক চৎনরি। চৎনরিবা চৎনবী অদুনা খুন্নাইরোলগী অনৌবা পুন্সিরোল অমদি ফজরোল অমা শেমগৎপদদি করোংচাক য়ুংনরে। থানানা হুরাল্লম্বা য়াই হায়না চিংনবা মী নৎত্রগা করিগুম্বা থৌদোক অমদা চেন্নরম্বা য়াই হায়না খনবা মী খুদিংমক ফাগৎনবা থৌনা লৈ। ফাসু ফাই, শুংলান লান্দবা মী ফারগা মীংচৎ থিহল্লি, মমৈদা ওন্নরম্মে হায়না থাদোকপসু কোকথোং অমা লৈ। পাউ লান্না ফংবদগী নৎত্রগা তমশিনবদগী অসিগুম্বা খুদোংথিবসি থোকপনি হায়না ইরায় হেক লায়খৈ হায়দোকই। কৈসু থৌ ৱা শাদে। মদুদা লাঞ্জদবা মীদুগী ৱাখলদা অমদি ইমুং মনুংগী ইকায় খুম্নবদা শোক্লিবা কয়া অদুবুদি মৱা লৌদবগুম থোইদোক্লা লুনা খন্নদে। শুংলান লান্দবা মী ফারগা লাল্লি হায়না চৈরাক পীখিবসু কোকথোং অমা লৈ। আইনগী মতেংনা অরানবা মীসু অদুম লালহন্দে, লান্দবা মীসু অদুম লালহল্লি। আইন হায়বা অসিগী মরক্তবু চঙখ্রবদি মনীং মমাঙ ওন্থোকপা ঙম্বগী পৱারসু অদুম লৈরম্মী। ফিল্মদা/ৱারীদা/লাইরিক্তা নুংঙাইহনবা পংহাই হায়জিনব্রা হায়না খল্লি অদুবু অশেংবসু অদুম লৈরম্মী। অদুগুম্বা সিনেমা, লীলা, দ্রামা, ৱারী লাইরিক অমত্তা ঙসি ফাওবা পুলিসকী/অঙম অথৌশিংগী/আইন শুরিবশিংগী মীংচৎ থিহল্লে হায়না ফাখি-পূনখিবা অমা ফাওবগী পাউ মীয়াম খঙনা তাবা লৈত্রি। অদুনদি কদাইদনোমা ইরান লান্নবা য়াওনবদৌনা তৌরি।


মণিপুরদা লাল্লে খঙলবা কয়া ফ্রী থারি। তৌবা ঙম্বা অচৌ অশাংশিংনা মতুংদা হেক লেপখিবদা নৎত্রগা পাম্বোম অমবু থাঙ্গৎলবদি মথক মখা ওন্থোকপগী চৎনবী য়াম্না চাউনা লৈরি। লাল্লিবশিংদু চৈরাক পীবগী মহুত্তা কৈরাক ওইনা কাহল্লি। মনা মথুম ফাওবা পীদুনা ৱাংদ্রিং ৱাংবা ফিদাদা ফমহল্লি। মসিবু তনিং-তমাঙ ওন্নবা হায়গদ্রা নৎত্রগা তৌগে হায়না তৌরিব্রা হায়বা ৱাহংশিং মশা মথন্তনা থোরকই। মী ওন্ননা হাৎলুবা ময়াম অমা মনা ফংখ্রে হায়না হায়, চুম্ব্রা লানব্রা খঙদে, হায়নবা তাবৈ ৱানি, মী মশীং য়াম হাৎলিখৈ থৌনা ফবগী মনাগী তকমান মশীং হেনগৎলি গাইনা হায়নবা তাই। মপুন্সিগী মী অমদা দুৎ ফাও হায়খিদবা কয়া তকমান ফংনরিসি মী হাৎপগী ওইজাৎলা? তৌবুদি ঈংজ-তপচবা কয়া অমা মীহাৎ খূৎলায় পায়খিবদগী মমিৎ মনা খূৎয়েং চায়েং অমা ওনবদুদি কোকথোং অমা থেংনৈ। শম্না লাকচনিংবদি অরানবশিং অমতা লেম্না থারোই হায়দুনা লাকখিবা গভর্ণমেন্ট অমত্তা লাল্লে খঙলবা অচৌ অশাং কনা অমত্তা চৈরাক পীখিবগী ৱাদি অমত্তা তাদে, লাল্লে হায়না ৱা-ৱা লাউনরবসু মমৈথংদা মখোয় মশেল অমতা ওইনা পুনশিন্নখি।

কুমজা ২০১৩ দা পুলিস কন্সটেবল খনবগী থেঞ্জাং কয়ারক্তা পাঙথোকখিবা ফিজিকেল টেষ্ট, রিটর্ন টেষ্ট, ভিভাগী প্রোসেসতগী হৌরগা থবক খূৎশিন লাশিন দা লোইনা লাল্লম্লে হায়না গভর্ণমেন্টকী মচিন চৎপা ৱাঙাংলোইশিংনা অমদি মরী লৈনবা ফম পায়বা অঙম অথৌশিংনা মিদিয়াদা অমদি মীয়াম মাঙদা হায়খিবা লোইনা তানহৌরে। অদুননি হায় মদুগী দি পি সিদু ককথৎখ্রিবদু। অনৌবা অমা মুক থোক্তুনা লৌনবগী প্রোসেস হৌজিক কন্না চত্থরি। নাকল অমরোমদা মমাঙগী দি পি সি অদুদা শরুক য়ারুবা নহা কয়া নীংবা কায়দুনা চরা হেনবা অমদি অতৈ খোঙজং চঙশিনখিবা মীয়াম্না থেংনখ্রে, বন্দ ফাওবা তৌখ্রে। মথৱায় চাক্লবা নহাশিং অদুনা দি পি সি অদু ককপা য়ারোই হায়না লম্বীদা থোক্তুনা ৱাকৎ খোঙজং চঙশিনখিবদু গভর্ণমেন্ট অসিনা য়েংদুনা লৈ। মখোয়গী মচা মশুশিং ঙাক্তনি, কৈসু থোইনা থৌ-ৱা শাবা উখিদে, মদুই মহুৎ খোঙজংলোইশিংদা থিনা ফুবা, চৈবা, তানবা মীয়াম্না উনখি। মতাংসিদনি ৱাহং কয়া থোরক্লিবসি। রিটর্নদা জেরো ফংবদু পাস তৌহল্লম্মি হায়রি। লমজেল চেনবা য়াওদবসু ফিজিকেল পাস তৌহল্লম্মী হায়রি। মথক্কী ৱাসি গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সপার্সন অমনা মিদিয়াদা ফোংনা হায়খ্রবনি। কনানা চুম্মিবা কনানা লাল্লিবা? ৱারেংজরিবনা ৱাখলনা শাজিল্লগা হায়বা নত্তে। লাল্লে হায়বা খঙলবদি লান্না তৌরিবদু কনানো ? লান্না তৌরল্লিবশিংদুদা করি চৈরাক পীখ্রবগে? ফিজিকেল পাস তৌনবগী, রিটর্ন পাস তৌনবগী ৱানোম্মল রেট তোঙান তোঙান্না লৈসু হায়নবা তাখি। ইফোং ফোংবা অরোনবনি। খলহন্নবগীদমক শেল থুমনা কয়া কয়া পীনখ্রবা, কয়া কয়া লৌনখ্রবা লোইনা খঙনৈ। অচুম্বা তৌগনি, অরানবা অমত্তা তৌদনা খন্নি হায়না মখৌ পোংনা পোংনা হায়খিবা ময়ামশিংদু কদাইদা চৎনখ্রবগে? মমিং মথা পন্নদ্রসু, ২০১৩ গী পুলিস রিক্রুইটমেন্টকীদুদা ইখ্বোল য়োল্লগা শেল পীখিবা, শেন্দোই কবী পুরুরগা শেল থোমজিনখিবা, কোকথোং অমা লৈকো। কনানা চারিবা শেলনো হায়দি খঙদে। চাদি চানা মাল্লে। নৎত্রগা খোংবান চেনবা ঙাক্তনা শেল চাবা ঙম্বরা? মখোয়না চাবদুনা মী কয়াদগী চাবা ঙমগনি। অচৌ অশাংশিং, অঙম অথৌশিং অমফাওবা শেল চাদবরা? কনাগুম্বা মচা মশুনা শম্না অমগী মফৈ লাল্লম্বা তারবদি মখল কয়াগী চৈরাক পীদুনা লৈবাক মাঙথোক্ল রমগদবনি। অচৌবা মশেলগী মরক্তা তৌনবা লান ওইবনা ৱা ওইনা নাহনমখৈ হায়নরমদ্রবসু হৌজিক্তদা খজিক খজিক অদুনি অদানি হায়না কাংলকপগী ৱানি। চৈরাক পীদুনা লমহেন তুহেনবা ৱারকপগী ৱাদি লৈতে। তপ তাখৈ চারগা অশিংবা অশেংবা শাদুনা, মালা চৎপা শাদুনা লৈনবগী ভাপলা অমদি তৌরে। মীনা শুম হায়নবা তাববু, ২০১৩ গী রিক্রুইটমেন্ট অদুগী থবক থানা পুম্নমক থিংখিবদু, ফম য়েন্থোক্নবদা শুনদবদগীনিবু হায়দা। পাউসি লানবদি ওইসনু, হায়দি হায়নৈ। লৌনিংবা লৌ, চানিংবা চাও, লৈত-লৈত ইখ্বোল, লৌ অমদি মীঙোন দগী শেন্দোই পুরগা পীখিবা মী কয়ামদি শাথিনা নীংবা কায়বতা নত্তনা ইমুং মনুং লৈখা তানা মাঙবা ফাওবা শোয়দনা য়াওনরমগনি।

অঙম অথৌশিংনবুদি থবক হাপ্পদা শেল চাবা অমদি ৱানোম থৌনোম্বা অমত্তা য়ারোই হায়না পংহাই হায়রবসু, মদু চিনগী ৱানি, থবক ওইনদি ঙসি ফাওবগী মনুংদা মতিক চাবা অশেংবা মী অমত্তা খনবগী পাউদি লৈতে। থবক থিরিবা মীয়ামসু শেল পীদ্রদি ওইরোই অদুনা খনদবনি হায়না খনবা কোকথোং অমা লৈ। মখোয়গী ৱাখলদু অদুম চুম্মী। শেল খরদা ওইরসু পীদ্রদি য়ারোই হায়না পাক শন্না খন্নবা অমা লৈরি। অদুনা লৈবা লৈতবা থিদনা থবক্তু তৌরগে হায়না খল্লগদি শেল খরা শোয়দনা অদুম পীনৈ। মসিনি হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী থবক হাপ্পগী ফীভম। অসিগুম্বা ফীভম কয়া অসি লৈবনা, শেল লৌদে, চাদে হায়বা ৱাসি ইফোং ফোংনা ইখঙ খঙনবা ঙাক্তনি। মরা তানা লৈখ্রবা করপসনগী মকোল ওইরবা লমদম অসিদা য়াম্না শেংবা শানদুনা পংহায় হায়নবা অসিগী মহুত্তা অশেংবা করপসনবু মরু ফংনা ফুক্তোকপা ঙম্বা অথৌবা খরা লমদম অসিদা মথৌ তারি।

# আইজি নোবেল প্রাইজ ২০১৬ # ২


## শা-উচেকশিংগী চীঞ্জাক চাদুনা শাগুম্না হিংনবা হোৎনখিবগীদমক



টোমাস থ্বাইটিসনা হামেংশিংগা অরাইন চীংদা লৈমিন্নরিবা



২০০৭কী ইকোনোমিক্সতা নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবা ইরিক মাস্কিননা টোমাস থ্বাইটিসতা আইজি নোবেল প্রাইজ খুৎশিন্নবা



চার্লস ফোষ্টরনা উমংদা শাগুম্না হিংখিবগী

### সাইন্সকী খোঙচৎ

### কুঞ্জো নাওরেম

**মালেমদা** ফাওখিবা খুদিংমক্কী অঙাওবগী মচৎ (ইকসেন্ট্রিক) অমমম লৈবজাৎনি। অদুনা ওইরমগনি ইমিলি দিকিন্সননা নাইতোম তারবা পুন্সি মরেল লেন্দুনা ফজরবা শৈরেং কয়া ইরল্লিবা অদুবু লাইরিক ওইনদি অমত্তা ফোঙদোল্লমদ্রিবা, শক্লাইরবা কবি লোর্দ বাইরোননা শা-উচেক্তা ঙাওদুনা মাগী য়ুমদা হুই নিপাল, য়োং অহুম, হৌদোং মঙা, ৱাহোং, ক্বাক অমদি খুনুখ্রংনচিংবা উচেকশিং য়োকখ্রিবা, মেথমেটিক্সকী পুৱারীদা অৱাংবা ফিদা ফংলিবা পোল ইরদোসনা লন-থুম হায়বসি পোৎলুম অমনি খন্দুনা মশাগী মরল-মথুম অমত্তা লেপশিল্লমদ্রিবা, মনা-মশিংখক্তা চাবা পাইথেগোরসনা বিন কাঙলুপকী হৱাইশিংদি ফত্তবা, অমাঙবা পোৎনি খন্দুনা চাখিদবা অমদি মীয়ামদসু চাদনবা হায়রম্মীবা, ইন্দক্সন মোটর, তেস্লা কোইল অমদি তোরপেদো পুথোক্লম্বা নিকোলা তেস্লাসু নম্বর 'থ্রি' দা পুমঙাও ঙাওখ্রিবা য়ূম নৎত্রগা ওফিস অমদা চঙলমদাইদা অহুম্লক কোয়না চৎপা, হোটেলদা লৈবা তারবদি থ্রিনা য়েনবা য়াবা রুম নম্বরদা লৈনবা হোৎনবা অদুগা চাক তোক্লবা তুংদা নেপকিন পেকেট অহুম্না কোল-লিকশিংবু লংত্রিক লংদ্রিফাওবা শেংদোকখ্রিবা, ... মসিনা লোইবা নৎত্রি। হন্দক চহীসিগী বাইওলোজিদা আইজি নোবেল প্রাইজ ফংলিবা অনীসিসু অদুক্কী মতিক ইকসেন্ট্রিক ওইবা সাইন্টিষ্টশিংনি। মখোয়না শাশিংনা চাবা চীঞ্জাক চাদুনা শাশিংগী পুন্সি মরেলদা হিংবগী চাংয়েংশিং পাঙথোকখিবগীদমক মনাসি পীখিবনি **Thomas Thwaites** (টোমাস থ্বাইটিস) অমসুং **Charles Foster** দা।

ঐখোয় মীওইবনা হৌজিক হিংলিবা পুন্সি মরেলসি মহৌশাদগী য়াম্না লাপথোরক্লে হায়না **থ্বাইটিস অমদি ফোষ্টরনা** নুংনাংবা ফোঙদোক্লি। সাইন্সকী মিৎয়েংদা ঐখোয়সি শানি অদুগা মহৌশাগী খূৎশেন্নক্তা হিংলিবনি অদুবু ঐখোয়না উপাল-ৱাপাল, শা-উচেকশিংগী নুংগী ওইবা মচৎতুদি উবা ঙমদ্রে। ঐখোয়না উরিবসিদি মপান্থোংগী শক্তম খরখক্তনি। ফোষ্টরনা অসুম্না ফোঙদোক্লি- "ঐখোয়দা য়াওজরিবা সেন্স মঙাগী মনুংদগী 'উবা' হায়বা সেন্স অদুতমক শীজিন্নদুনা মহৌশাবু শিংথারি। মসি ইকায়নিঙাইগী মশকনি। সেন্সসিনা মহৌশাগী মরমদা খঙহনবা ঙল্লিবসি শুপ্নগী ২০% খক্তনি। অদুনা লেমহৌরিবা ৮০% সিগী মরমদা খঙননবগীদমক তাবা, মনম, শোকপদা খঙবা, মহাও খঙবা হায়রিবা সেন্সশিংসি শীজিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। ইভোলুসনগী মতুং ইন্না জীব অমদগী জীব অমা ওইরক্লিবনি। অদুনা শাগুম্না হিংবা পুন্সি মরেলসি য়াম্নমক মথৌ তারক্লি। মসিনা ঐখোয় মীওইবগা অতৈ জীবশিংগগী মাঙখ্রবা মরী হঞ্জিনহন্দুনা মহৌশাগী শক্তম কনবা ঙমগনি"। **মহাক্লা উমংদা চংদুনা পাম্বী অমদি শা-উচেকশিংগী মচৎ অমদি ফজববু মনম নমদুনা, মখূৎনা শোক্তুনা, মনাকোংনা তাদুনা অমদি মরৈনা লেক্তুনা হেন্না খঙননবা হোৎনখি অদুবু মহাক মায় পাকখিব্রা? মহাক্লা থবক্তু য়াম্না ফজনা পাঙথোকপদি ঙমখিদে অদুবু অহেনবা মচৎ খরদি খঙবা ঙমহৌরে হায়রি। মহাক্লা খঙলক-উরকখিবশিংদুগী মরমদা** "Being a Beast" **হায়বা লাইরিক্তুদা য়াম্না ময়েক শেংনা ইরি।**

টোমাস থ্বাইটিসকী মতসু মসিগুম্বনি। মহাক্লা হায়, "ঐখোয়গী শরু-শয়াংসি হামেংগীগা কয়াদা মান্নখ্রবনো। মখোয়দা কোক অমসুং থবাক্কী শরুশিং য়াওরি। অয়াম্বা **খোম থোকপা জীব**শিংগী মঙক্তা য়াওরিবা ভর্তিৱাশিংগী মশীংসু মান্নে। ঐখোয়গী অরিবা মতমগী লাইয়েক অমসুং খূৎয়েক কয়াদা শাশিংগা মীগগী মরী শেংনা উৎপা কয়া থেংনরি"। থ্বাইটিসকী ৱাখল্লোনসিগা চানবা কয়া 'পঞ্চটন্ত্র' অমদি 'জাতক' কী ৱারীশিংদা য়াওরি। ইরমদমসিদা লৈরিবা মীতৈ অমদি অতৈ কাঙলুপকী ৱারীশিংদসু শাশিংগা মীগা নুংশি চান্নবা লৈরম্বগী মরমদা থেংনরি। মীনা উচেক লাংমৈদোং, নোংইন, হরি ... ওনখিবগী মরমদা ঐখোয় তারে। সাইন্টিষ্ট অনীসিগী মত্তসু শাশিংগা মীগগী অফবা মরী অমা থম্বা পাল্লি। অদুনা ঐখোয়না শাশিংগী নুংগী ওইবা মচৎ খঙদবা য়ারক্ত্রে। মীগা মহৌশাগা লাপথোক্নরকপসিনা মীওইবা ঐখোয়না নোংম-নোংমগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরক্লি, খৎন-চৈনবা, য়েংথিনবা হেনগৎলক্লি লোয়ননা পূক্নিং লৈতাদবা কয়া থোকহল্লক্লি হায়বসি মখোয় অনীগী অচেৎপা থাজবনি।

টোমাস থ্বাইটিসসি 'মী হামেং' হায়বদি 'গোটমেন' নি। মহাক্কী লাইরিক "Goatman: How I took a holiday from being Human" দা মহাক্লা হামেং অমগুম্না হিংবগী মরমদা ইরি। থবক ফংদবা অমদি নুতিগী পুন্সিদা থেংনরকপা ষ্ট্রেসশিংনা পীরকপা অকনবা চৈথেংনা মী ওইনা হিংনিংলক্তবা মিৎকুপ কয়া থ্বাইটিসতা ফাওরকখি। তাঞ্জাসিদা নোংমা মরুপ অমগী হুইগা চৎমিন্নবগী খুদোংচাবা ফংখি। মহাক্লা হুইদুগী অৱাবা য়াওদবা, হরাউদুনতা লৈবা মানবা মওংদু উরুবদগী শা অমগুম্না হিংলগে খল্লকখি। অহানবদা মহাক্লা শামু অমগুম্না হিংননবা হোৎনদুনা মনা-মশিংখক্তমক চারকখি। অদুবু শামুসু মীওইবগুম্না নুংঙাইতবা, ষ্ট্রেস অমদি অৱাবা কয়া লৈ খঙলকপদগী অমুক হন্দারকখি। মসিদগী হামেং অমা ওইনা হিংলগে খল্লক্তুনা হামেংগী সাইকোলোজি নৈননবগীদমক য়ুনিভর্সিটিদগী শেন্থং লৌরম্মী অদুগা স্বিটজরলেন্দগী Wolfenschiessen দা লৈবা হামেংগী ফার্ম অমদা নৈনবা হৌরকখি। মসিগীদমক মহাক্লা শজিক্লুম্বা হামেংগী চীঞ্জাকশিং চাবা তারকখি। শজিকপু তুমহনবা ঙম্বা ইঞ্জাইম অমদি বেক্টেরিয়াশিং ঐখোয়গী চাকখাওদা য়াওদে। অদুনা শজিকপু তুমহনবা ঙম্বা খূৎশেমগী চাকখাও অমা হাপ্লম্মী। চাকখাওসিদা য়াওরিবা খূৎশেমগী ইঞ্জাইম অমদি বেক্টেরিয়াশিংনা অহানবগী ওইনা তুমহল্লক্লবা চীঞ্জাক্তু থ্বাইটিসকী অশেংবা চাকখাওদা থাজিন্দুনা মখা তানা তুমহল্লি। হামেংশিংদুগা চৎমিন্নবা, লৈমিন্নবা অমদি চামিন্নবদা হেন্না খুদোংচানবা, হামেংগুম্না চৎপা য়ানবা খূৎশেমগী খূৎশু খূৎলায়শিং মখোং অমসুং মখূৎশিংদা হাপচিল্লি অদুগা হামেংনা মখোং মরিনা চৎপগুম চৎননবা শেম শাখি। অসুম্না শেম-শারবা তুংদা থ্বাইটিসনা অল্পাইন চীংদা নুমিৎ হুমনি চুপ্না হামেং ময়ামগা লোয়ননা লৈমিন্নখি। মহাক্লা হামেংগুম্না চৎননবা হোৎনবদা অৱাবা কয়া মায়োক্নখি। হামেংশিংদুবু শেন্নরিবা মীদুনা মহাকপু হামেং নম্বর ১৮ হায়না মশক খঙখি অদুগা হামেংশিংদুনা চৎপা, চেনবা অমদি চাবদা মহাকসু শরুক য়াখি। অঙম্বা চীং কাখৎপদা হুমাং কাংখি। চীংদগী নাম্থরকপা কয়াসু মাইরোং য়াখি। অদুবু য়াম্না হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওইখিবদি অঙম্বা চীংদুদা কুমথরকপনি হায়না ফোঙদোক্লি। অহানবদদি হামেংশিংদুনা মহাকপু উবদা হৈনদবা পোকপগী মওং উবা ঙমখি। অদুগা মচি ফজনা পাল্লবা হামেংশিংদুনা মঙোন্দা ৱাইরক্কদ্রা হায়বগী অকিবসু পোকখি। অদুবু ইথা থাজদনা হামেং অমোম অমনা মহাকপু মরুপ অমগুম্না খল্লক্তুনা থ্বাইটিসকী মতুং ইল্লকপা হৌরকখি।

চার্লস ফোষ্টর অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মীয়ামদগী তোপ-তোপ্লকই। মাঞ্চেষ্টরদা স্কুল তম্লিঙৈদা নোংমা মহাক্লা লৈরিবা হোষ্টেলগী কাগী থোংনাউদা য়েংথোকখিবদা মকু অমনা মহাকপু শুমহৎখি। মসিগী মতুংদা মখোয়গী ইমুং পূম্বা শেফিল্ডদা হোংলকখি। মফমসিদসু নোংমা ব্লেকবার্দ অমা লৈকোলদা তোংবা উরম্মী। মীৎনহা মুশিন মুবা অদুগা হঙ্গামপান মচুনা কোইরোক কোইনা লাংবা উচেক্তুগী মমিৎনা য়েংলকপদা মহাকপু লোইনাইদ্রবা ৱাখলগী ঈপাক অমদা তাওহনখি। মহাক্লা থুনা য়াংনা লাইব্রেরিদা চৎতুনা ব্লেকবার্দশিংগী মরমদা ইবা লাইরিক পুম্নমক পারম্মী। কন্না হোৎনরবা তুংদা নোংমা মহাক্লা ব্লেকবার্দ অমগী থোপ অমা ফংলম্মী। থোপসিবু ফোরমেলদিহাইদ (পূমদনবা হীদাক) হাপ্লবা পাত্র অমদা হাপ্তুনা থম্লম্মী। পাত্রসিবু কোন্দুনা তূমখি অদুগা মঙ মঙজখি, "উচেকসিগী লৌশিং-গ্যান পুম্নমক ঐগী থোপ্তা চঙলক্লসনু"। মসিদসু নত্তনা কংহল্লবা ব্লেকবার্দ অমবু মহাক্কী মকোক্তা লংনা পুনশিল্লগা তূম্লম্মী। মহাক্লা মফমদুদা লৈবা ব্লেকবার্দশিংগী মহুম পুম্নমক্কী লৈফমশিং থিদোক্তুনা চার্ট অমা শেল্লম্মী। লোয়ননা উচেকশিংদুনা কদাই কদাইদা পাইবা, করম করম্বা মফমদা তোংবা হায়বদুসু য়েংশিল্লম্মী। মসিগী মতুং কোন্নথংদা কেম্ব্রিজ য়ুনিভর্সিটিদগী ভেটিরিনরি সাইন্স অমসুং লো লোইরবা তুংদা ভেটিরিনরি ডাক্তর অমদি উকিল ওইনা থবক তৌখি। লোয়ননা মেদিকেল লো অমসুং ইথিক্সতা ওজা অমদি মেগাজিনগী কলম্নিষ্ট ওইনসু লৈরম্মী। মহাক্লা উকিল অমা ওইনা শেল য়াম্না তানশিনবা ঙমখি। অদুবু মহাক্কী পূক্নিংদা ফাওরকখি, "অফবা উকিলদি মী হাৎপা নৎত্রগা রেপিষ্ট অমগী থৱায়বু হাপচিনবা য়াবা অহাংবা পাত্র অমনি। মসিনা আত্মাবু শোন্থহল্লি"। অসুম্না অঙাওবা মচৎ অমগা লোয়ননা হিংলকখি চার্লস ফোষ্টর।

মহাক্কী মচানুপা তোমগা লোয়ননা ফোষ্টরনা badger ওইনা ৱেলসকী মফম অমদা নুমিৎ কয়ানি লেনখি। নুংথিলগী মতমদা লৈনুংহুৎ অমদা তূম্লগা, নুমিদাংগী মতমদা থোরক্তুনা চাক্তারম্মী। মসিগী মতুংদা শনম্বা ওইনা হিংনবা ঈশিংদা অমুক নুমিৎ কয়ানি লেনখি। মহাক্লা শজি ওইনা হিংনবা হোৎনবদদি মহাক তশেংনা মহৌশাগা কন্না মায়োক্নখি : খোঙ-খূৎকী খুজিল অমদি কোক্কী মশম কা হেন্না শাংলকখি। Swift কাঙলুপকী উচেকসি পাইনা পাইনা তূম্বা অমসুং লাবা অমোম হকতিন্নবা ঙম্মী। ফোষ্টরনা পেরগ্লাইদিংদা তোংদুনা স্বিফটকী মতুং ইন্নদুনা পাইরম্মী অদুগা মখোয়না চাবা চীঞ্জাকসু চারম্মী। অদুবু মহাক্লা খ্বাইদগী চুশিন্ননা হিংবা ঙমখিবদি লমহুই ওইনা হিংবনি হায়না 'দ গার্জিয়ান' না লৌখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখি। অদুনা লন্দনগী লম্বীশিংদা কোয়চৎ চৎতুনা মীনা চাখিবগী অরেম-অখাক চাদুনা হিংবা ঙম্মী।